# ‘কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংবু লাকশিনবা’



## ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

## উশম ধরমেন্দ্র

নুংশিবী ইরমদম লোইরে হায়হৈদে, পুন্নোই লোইরে। লৈবাকসিদা আইন লৈত্রে। ষ্টেট লৈঙাক্তুবো কদোমদা চৎখ্রবগে। মীচম মীয়াম্না মোইবুং খোঙদুনা মাঙখ্রবা মণিপুর ষ্টেট লৈঙাক কোইথি থিবগী ফীভমদা অদুমক লৈরে। মীচম মীয়াম্বু খূৎলায় পায়বশিংনা ফাজিন্দুনা থন্বা ফূরুপ অমগী ওইগেরা অমগী ওইগেরা মীচম মীয়ামগী পূন্সি কনবসি লৈঙাক্কী মথৌনি। মীচম মীয়াম্বু ফাজিন্দুনা থল্লিবশিংগী মথক্তা অকনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী দ্রাইভ চথদুনা মীচম মীয়ামগী পূন্সি কন্নবা হোৎনবনা লৈঙাক্কী মথৌনি। মদুদি তৌদে, মরাল লৈতবা মীচমশিং ফাজিন্দুনা থল্লিবশিংদা লৈঙাক্লা আপীল তৌবগী থৌওংনি ঐখোয়না উনখ্রিবদু। হৌজিক্তি মে ১৩গী চর্চ লুচিংবা অহুম (থাদৌ ফূরুপ্পা য়াম্না ইকায়খুম্নজবা), কোটলেন অমসুং কোটজিম ভিলেজগী মরক্তা লৈবা শাহৈবুং পিকতা খূৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিং, মীয়াম্নদি কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনি হায়বা অদুম ইরায় লায়না খঙবশিংনা মীনুংশি য়াওদনা তমথীনা হৎতোকপীখিবগী মতুং তারকপদা নাগা অমসুং কুকি কাঙলূপকী মীওইশিং ফাজিন্দুনা থম্নরকখিবদু থেঙ্খাং নাইনা থাদোক্নরকখিবগী তাল্লক্কী অরোইবদা কুকিগী মীওই ১৪ থাদোকখ্রবা মতুংদা নাগা ফূরুপকী মীওই তরুকসু তেক্ত-কায়দনা থাদোকপীরকপগী মহুৎতা অশিবা মতৎ-মতৎ তৎলবা শরূ শয়াং ওইনা ফংখিবগী থৌদোক উখ্রে। করিদি পান্বে লৈরি ঈং-তপ্পা পামজবশিংনা মীহাৎতুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা তেংথাজবা নত্তনা।

ঈং-তপ্পা হায়বসি শুংপাম পামদবা ঈরাং থোকহল্লগা মীহাৎ মীপূন থোকহল্লগতা নুংঙাইজ রিবা কুকি হায়বা কাঙলূপসিনা কোনশিল্লিবা মীবু তমথীনা হাৎলিবা মীওইশিং অসিদা করি মান্নদবা য়াওবগে হায়বদু সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিনবগী মথৌ তারে। মখোয়সি অসুক্কী মতিক ফত্তবা মীওইবা অমনা খনগদবা ৱাখল খন্দবা কাঙলূপনি। হন্দক্কী থৌদোক্তুদা মখোয়গী মীওই তরামরি থাদোক্লবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ য়াওনা মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর কোনড়াদ সংমা অমসুং নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিওদা লোবি তৌই। করিগুম্বদা মাইনোরিটি কার্দ, করিগুম্বদনা রিলিজিয়স কার্দ পায়দুনা য়াম্না শোন্থশন্নবসু হৈবা ‘য়োং তাৎ হৈবা’ কাঙলূপনি। হন্দক্কী মখোয়গী হায়বদি কুকি ফূরুপ্পা কোনশিল্লিবা মীওই তরামরি থাদোক্লবা হোৎনবদা খৃষ্টিয়ানিটিগী মিংদা ধর্ম্মগী ওইবা মীৎয়েংদা থাদোকপীরক্লবা মখোয়গী মায়কৈদগী মরী লৈনবশিংগী পূক্লিং চিংশিনবগী ৱাফম কয়া থমখি।

ৱাফমদুদা মীতৈগুম্না মীনুংশি চাউবা মীনা হায়জ নোঞ্জরক্লবদি পুকচেল নৌথবা নাগা কাঙলূপকী মীওইশিংনসু কুকি ১৪দু থাদোকখ্রবদি নাগা মীচম তরুক অদুসু থাদোকপীরক্কনি হায়বগী ৱাখল তৌরমগনি। ফূরুপ অনীগী মীওইশিং ফাজিন্দুনা থম্নখিবদু খূৎশিন্নবগী মওংদা য়ানবসু উখিদে। কুকিগী মীওই ১৪দু থাদোক্লবগী অকনবা প্রেসর ঙাক্তনি লাকখিবদু। লোবি তৌবা হৈবসিসু মখোয়গী মচৎ অমনি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মখোয়গী হোমলেন্দ অমগী মঙলান্দা মীতৈদা নমদুনা লান্দারগা থোকহনখিবা মে ৩,২০২৩দগী চথরক্লিবা লান অসিগী হৌরকপা তাঙ্কক্তা সাউথ ইন্দিয়াগী মফমশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা ইন্টরনেশনলগী খৃষ্টিয়ানিতিগী ফোরমশিংদা মেজোরিটি হিন্দুশিংনা মাইনোরিটি খৃষ্টিয়ানশিংবু ওৎপী নৈবীরে, চর্চ মৈ থাবীরে হায়দুনা রিলিজিয়স কার্দ পায়দুনা মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিনবা ঙমখিবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনি। ইন্টরনেশনল ফোরম কয়াগী লুচিংবশিংসু কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা হায়বদুনতা অচুম্বা ওইনা লৌনখি। মীতৈদি হিন্দুনি মখোয়না খৃষ্টিয়ানশিংবু তাথী। চর্চ কয়া মৈ থাদোকপীখি হায়বগী নেরেটিভনি অসুক কুইনা লাকখিবসি। ঙসিদি কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মখোয়গা লাইনীং মান্নবা নাগাশিংবু তমথীনা হাৎলকপসিদদি কুকিশিং অসি খৃষ্টান ওইরবসু মথম্মোয়নুংদা খৃষ্ট য়াওদবা কাঙবুনি হায়বদু মীপূম তিংনা খঙলম্লগনি।

ম্যান্মারদগী আইন কায়না চঙশিল্লকখিবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা মণিপুর সনা লৈবাক অসি পুরা কাং খোং চাইহল্লে। কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী তংদু লৈতাদনা লৈহল্লকখিবসিনা ঙসিসু চরাংনদুনা লৈহল্লি। মখোয়না থোকহনখিবা লাননা মরম ওইরগা মীওই লিশীং ৬০গী মথক্তা লাঞ্জেন্নরিবনি। মীওই ২৫০গী ময়াদা শিখ্রবনি। মীতৈ মচা মীওই ৩৪ মাঙখ্রবনি হায়বদি তমথীনা হাৎতোকপীরগা মশা ফংহনবীখিদ্রবনি। হন্দক্তসু লিয়াংমৈ নাগা ফূরুপকী চর্চ লিদর য়াওনা মীওই তরুক তমথীনা হাৎতোকপীবগী পাউনা ঈং-তপ্পা পামজবশিংগী থম্মোয় মচেৎ তানা থুগাইবিরিবনি। মীবু ফারগা তমথীনা ওৎ নৈরগা মশা ফংহন্দবা হায়বসিদি মখোয়গী কলচরনি হায়বসিদি মখোয়না তৌথোরক্লিবা অসিনা তাক্লি। মীবু তমথীনা হাৎপদৌনা মকক-মকক ককপা হায়বসিসু করম্বা পৃথিবীসিদা লৈরিবা মীওইবনা তৌনবগে। মথক্তা পঞ্জখ্রিবদুনি মখোয়গী ঈদা, লু তোংদা করি করম্বা তোপ তোপ্পা করম্বা শাগা মান্নবা য়াওবগে হায়বদু টেষ্ট তৌথোকপা মথৌ তাই। জাকুরাধোর অমসুং ত্রোংলাওবীগী মীহাৎতা শুপ্নতংগী থা ৮ অমসুং থা মঙাগী অঙাং ফাওবা তমথীনা হাৎপা ঙল্লিবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনি। খ্বাইদগী চাওখৎতবা শাদগীসু হেন্না তোনবা কাঙলূপনি।

মণিপুরসিদা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা তৌবা থবক্তা মণিপুর ষ্টেট লৈঙাকসিনা মখোয়বু লাকশিন্নবা করিসু তৌদে। লৈরিবা ষ্টেট ফোর্সনা ইরায় লায়না লাকশিনবা য়াবা মফমশিংদা অদুমক ফ্রী থারি। ষ্টেট লৈঙাক্লা করিমত্তা হায়দবগী মওংদা মতেং পাংবা লাক্লিবা সেন্ত্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং, আর্মি পর্সনেলশিং অদুমক তূমিন লৈনৈ। হন্দক্কী হৌখিবা মে ১৩দগী শমথরকখিবা পামদবা থৌদোকশিং পরিংদা লিয়াংমৈ নাগা তরুক ফাখিবদুদা মপূং ওইনা লৈলোন ভাইফৈগী চীফ লালবোই ভাইফৈ অমসুং খুলদুগী ৱিমেন্স সোসাইটিগী মীওইশিং হকথেংননা চেন্নে, মখোয়বু ফাবীয়ু হায়না কোন্সাখুলগী নাগা ভিলেজরশিংগী মায়কৈদগী লৈঙাক্তা কয়ারক হন্না সজেশন পীখি। কোন্সাখুলগী চ্যেরমেন দি অদাম লিয়াংমৈ ইম্ফালদা বেজ তৌবা সঙাই টিভি চেনেল অমগী দিস্কশন অৱরদা ফাওবা শরুক য়াদুনা য়াম্না ঙন্না লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিনখিবনি। জুন ১০দা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুর পুলিস, সী আর পি এফ অমসুং অসাম রাইফলসকী অপূনবা টিম অমনা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৪৫০ রোম্না স্নিফর দোগ শীজিন্নদুনা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথবদা লিয়াংমৈ নাগা তরুক্কী অশিবা হকচাংশিং ফংখিবদু য়াম্না ঙল্লিঙৈগী মতমদা মখোয়গা ফামিন্নখিবা নুপী অমদি অঙাং ১২ থাদোক্লকখিবা মে ১৪, মতমদুমক্তদা অদুগুম্বা ছর্চ ওপরেশনদু তৌরম্লবদি চর্চকী লুচিংবা অনী য়াওনা লিয়াংমৈ নাগা তরুক্কী পূন্সি কল্লম্বা য়াবনি। মদুদা ঈং-তপ্পা পাম্বশিংনা পেল্লমগনি।

লোইশিল্লকপদা মণিপুরসি কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা তৌনীং তৌনীংবতা তৌবদা কনানসু করিসু অয়েৎ অপন পীবা ঙমদ্রে। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী মফমদা ষ্টেট লৈঙাক ময়া য়াওদবা নোংশাগা পাঙ্খক ওইরে। মীবু ফানীংলগা ফাবা, হাৎনীংলগা হাৎপা অসিগুম্বা মীচম মীয়ামগী পূন্সিগী হিংবগী মমল লৈতনা কয়াম কুইনা লৈগনি। অসুক য়াম্না ষ্টেট ফোর্স অমদি সেন্ত্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং, আর্মি পর্সনেলশিং লৈনা লৈনা কোব্রা (কম্মান্দো বট্টালিয়ন ফোর রিজোলুট এক্সন) গী হৈশিংলবা পর্সনেলশিংগী বট্টালিয়ন অনীনা মণিপুরগী ঈং-তপ্পা অমসুং তংদু লৈতাবা পুরক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংগদৌরি। হান্নবা করিসু ঈরাং লাকশিনবা ঙমদনা লাক্লগা করি অওনবা পুরক্কদৌরি। মসিনি মীচম মীয়াম্না য়াম্না লাংতক্লনা ঙাইরিবসি। মণিপুরগী মীয়াম্না কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী কা হেনবা, শাগী মচৎ অসি লাকশিন দুনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা অমদি তংদু লৈতাবা লৈহনবা পাম্মী হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# ‘শাগা মীওইবগা লান্থেংনবা হৌনৱা’



## - রঞ্জিৎ নিংথৌজা -

মীওইবসি শা মখল অমনি। শা হায়বা মিংথোল অসি মরমচৎনা লেপ্পী। মমা-মচা, মপা-মচা, ঈ মরীগী থৌগল্লোন য়াওদনা পঙহিং হিংমিন্নবা, পঙলৈ লৈমিন্নবা, পঙচা চামিন্নবা পূন্সি মহিং অসিবু শাবুক-ঙাবুক্কী লীচৎ ওইনা খঙনৈ। ফিজেৎ লৈতেং, অকে-অমৌ, য়ূম্লে-কৈরৈ মফম মরাং খঙনা খুন্দা লৈতাদ্রিঙৈ মতমদুনি, মীওইবা কৌবা কাঙলূপ লৈত্রি হায়নফাও লৌনরি। য়োংগী শকওং শাদা মান্নবা কাঙলূপ অমনা চহী ৭০,০০০-১,০০,০০০ ফাওবগী মনুংদা অফ্রিকা মহাদেশতগী মালেমগী মফম কয়াদা পাক-শন্না শন্দোকখিবনি হায়বগী অইবা লৈরি। হাৎন-শুনবনা মশিন্থা ওইরম্মী। হিংচা-য়াইতম্বনা মখোয়গী মচৎনি। মপাঙ্গল কনবনা নিংথৌনি। শা-ঙা, অহিংবা পোৎ চাবা ‘ওমনিভরস’ মখল ওইরম্মী। তপ্না-তপ্না লোন ময়েক শেমগৎনরক্তুনা অফবা ৱা-পাউবু লাইরিক ওইনা তম্নরকই। চাওখৎপা হৌরকই। মৈ পুথোরকই। অমুনবা, অথোংবা চীঞ্জাক চাবা হৈরকই। ফজবা ফিজোল, নুংঙাইবা য়ুম শেম্বা হৈরকই। ইকায়-ইকি খঙনরকই। ঈ মরীগী কাঙলূপ-ফূরুপ নাইনা ফজবা চৎনবীশিং য়াবা-য়াদবা কাঙলোন কয়া লিংদুনা তং-তাবা খুন্নাই অদুদা ৱাখল খনবা হৈবা কাঙলূপ অসি ওইরকই। মসিবু মীওইবা হায়না খঙনরি।

হৈ চক, হয়া চক, লাংবা চক অমদি কোন্না চক হায়না চক (য়ুগ) মরি থোক্লা মীওইবনা তাইবঙপান অসি শমথদুনা পুথদুনা লাক্লি। লাইগী মতিক ময়াই চেনবা মীওইবা কয়াদগী ঙসিগী মীওইবশিং অসিবু শমথরকই। মপা-মপু ওইবশিংবু লাইগী মিংদা নীংজবা শোঞ্জবা, খুরুম্বা অসি মীওইবগী মচৎনি। থৱায় পানবা মশেল ইকায়খুম্নবা, অমনা অমগী মতেং পীনদুনা তাইবঙপান অসি শেমগৎপনি হায়বসি মীওইবশিংনা খঙনৈ। ঈশিংনা মনিল ওইনা অহাঙবা মালংপান্দা অমুক কোয়না পাইরুরগা মালেম ফম্পাক্তা নোং ওইনা অমুক তারক্তুনা অপাকপা ঈপাক শেম্লকপগুম ঙসিদি শাদগী মী ওইরুরগা অমুকসু শা-ঙাগী থাক্তা কুমথরকপা মী ওনবা ঙমদ্রবা মী মানবা শাশিংনা মীওইরবশিংদা পীরিবা তমথীবা অকায়বশিং অসিগী মমিংনি ‘লান’। মতম্না অরি-অনৌ খায়বগী মতুংইন্না লান শোক্লবগী মওং হোংই। খূৎশু-খূৎলায়গী মওং চাওখৎলকপগী মতুংইন্না শাগী থাক্তা লৈবশিংনা লান তৌই। লান খুদিংমক্কী মরু ওইবা পান্দম অমা হায়রগদি লম পাম্বা অসিনি। মখোয়না পাল্লিবা লম অদুদা মমল য়াম্বা কান্নবা পোথোক তুংদুনা লৈ হায়বসি খনবগীনি। মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী মরক্তসু হৌজিক লান থোক্লি। মসি সনা-লুপা, থাও থোকফম লমদমশিং মখোয় মখোয়গী খুবাম্নুংদা থম্বা ঙম্নবা হোৎনরিবনি। ঙল্লিঙৈ মতমদা শোক্লবা লানদি থাঙ-তা, তেন, য়োৎ-নুঙগী লান ওইরম্মী। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জান লোইশিনখ্রবা মতুংদা লান অদুবু হকথেংননা য়াওরবা রসিয়ান রেদ আর্মি, মিখাইল কলাশনিকোভনা লানদগী হল্লক্লবা মতুংদা ওটোমেটিক রাইফল অমা মশাবু ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা কুমজা ১৯৪৭তা শাখি। অদুগুম্বা নোংমৈ অদু ঙসিসু এ কে ৪৭ হায়না লানগীদমক অফবা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরি। অমরোমদা, হিটলরগী মপাঙ্গল নমথনবা অমেরিকাগী ‘মনহাটন প্রোজেক্ট’ না অলবর্ট আইন্সটইনগী ‘ই=এম সী স্কৱার’ হায়বা ইক্বেশন ($E=mc^2$) না এটোম বোম শাদুনা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ৬তা লিট্টুলবোইনা হিরোসিমাদা অদুগা ওগষ্ট ৯দনা নাগাশখিদা ফেটমেন কৌবা বোমশিং থাধদুনা জপানগী অৱাবগী পুৱারী শেমখি।

পূম্নমকসি লানগী মশক ঙাক্তনি। ঙসি চীংলোন ৯না কোয়না পনশাবা লমদম অসি চহী লিশীং কয়াগী মমাঙদগী মরোমদোম কনাগী মীখা পোন্দনা য়েক সলাইচা মান্নজবা ঈ মরীশিংগী লৈবাক ওইদুনা লাকই। মফম অসিদগী পুথোকচবা চীঞ্জাক্তনা পূন্সিগী ‘মরূ’ ওইরম্মী। মতম অমদা তম্পাক অহুমগী লৈপাক (ইম্ফাল তম্পাক, কবো তম্পাক, বরাক তম্পাক) ওইরম্মী। অদুবু ঙসিদি বরাক তম্পাক অমদি কবো তম্পাক মাঙখ্রগা শুপ্নগী স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ খক্তা পাক-চাউবা মণিপুর ওইরি। অদুবু চীংগী শরুক্লা চাদা ৯০ ওইরিবা চীংলৈপাক অসিগী চীংগী লমদমশিং অসি চেকশিলহৌদবদগী য়ুমদাংবশিংনা মখোয়গী লমদম ওইবা য়ানবা খূৎশেমগী লান অমা তৌরকপনি। মণিপুরগী পাক চাউবা স্কৱার কিলোমিটর ৬৫০ তনি হায়বা অশেম্বা হিষ্ট্রি অমা মালেমদা শন্দোক্লবা হোৎনরিবনি।

হৌজিক্কী লানসিদি ঐখোয়গী মীয়াম্না তিন য়োথ্রগা থেংনগদবা লাননি। অহানবা অমদি অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা ওইখিবা মালেমগী মীওইবশিং অদু করম করম্বা কাঙলূপ্তা থোকখিবা লাননো হঙ্গৎনা য়েংবা চঙই। নোমেদিক ওইবা কোইচৎ চৎপা মালেম অসি মখোয়না লৈনীংবা খুন্দানীংবা মফমদা মনীং তম্না লৈবা য়াই খনবা মীওই কাঙলূপশিংনা লৈহৌমী নৎত্রগা য়েলহৌমীশিংদা খুদোং থীহল্লকপদগী থোকখিবা ঙাক্তনি। মতম অদুগী জর্মন নাজিজগী লুচিং পুরেল হিটলরনা নোমেদিক ত্রাইব ওইরিবা জিয়ুশিং অদো জর্ম্মনিগী থনুংদা চিকপা শুম ওইনা উখি। কন্সেন্ত্রেশন কেম্পতা পৈরগা হাৎখি। অশিবা মপৈ-মপৈ ব্লেক সিদা হৈথখি। মদো হিটলরনদি খনখি মীওইবগী থনুংদা চিকপা শুম মপৈ-মপৈ মাঙহনবনি। মতমদুগী মখোয়গী শেন্মীৎলোন চুপ্লি পায়শিল্লকপবু হিটলরনা উখিব্রা হায়বসি হৌজিক্কী মীরোল ফাওবনা হংনরিবা ৱাফম অমনি। কায়নথংদা মখোয়গী হৌরকফমনি থাজরিবা জেরুশালেমগা নক্লবা মী কনাসু খুন্দাবা ঙমদবা পাক চাউবা স্কৱার কিলোমিটর ২০,০০০ লোমতমক চাউবা লৈকংলা অমদি থুমহি চেনবা ঈশিংগী লমদম অদুদা পুল্লপ তাশিল্লগা ১৯৪৮দা ইজরেল কৌবা লমদমদা লৈখিবা অসি নীংশিংসি।

মণিপুর মীয়াম্না থেংনরিবা শাগী লান অসিদি লাইরিক হৈরবা জিয়ুশিংগী লান্দগী হেন্না খুদোংথীনীংঙাই ওইরি। মহৌশাগী সিলেবসতা “শা উরদি থৈদুনা চৎলু” হায়বা লেসন অদু নীংশিংবা মথৌ তারে। মীগী হকচাংবু কক্তুনা হাৎপা ঙম্বা লান অসিদি মীওইবগী লানফম নত্তে। মখোয়না শেল পীরগা নেকপা, নিশা পীজরগা মী হাৎহনবা লান্মীশিংনা চথরিবা মীহাৎ-মীপূন অসি পান্দম ফংনবা নত্তে। মমল য়াওদবা লৈফম লৈতবা মখোয়গী মীওইশিং য়ারিবমখৈ শিজখিনবা লান শরুক য়াহনবগী মওং অমনি। মখোয়গা থেংনরগা লমদম অসিগী মমল তাঙলবা য়েলহৌ মীয়ামগী পূন্সি লোইখিবা পাম্মুজে। নোংমৈনা নোংমৈগী লমন শিংনবদা লান ঙল্লবসু য়েলহৌ মীয়াম মাঙজবতনা পীক থল্লি। ২১শুবা চহীচাগী মতুংসিদদি মালেমগী লমদম অমফাওবা নীংতম্বা কৌবা মীংথোল অমত্তা শকখঙলোইদবনি হায়বা য়ুনাইটেদ নেশন্সকী ৱারেপ লৈখিবনা মৈরানবীগুম শিফম থিরিবা রিফ্যুজিশিংগা লান শোক্লবগী মওং হোংহৌবা তাবনি। পোলিটিকেল ৱারফ্যের নত্তনা অতোপ্পা লাঞ্জং খুদিং অপঙবা তারগা তোক্কদৌরি। শানা শাগী লীচৎ চৎচবদি মনাৎনি। মীনা শাগী লীচৎ চৎখ্রবদি শেমদোকপা ঙল্লোই। হৌজিক্তি অনৌবা ইজরেল নৎত্রগা অনৌবা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল অমগী মফম লৈরোইদবা মরম্না খন্থহৌদ্রবদি মমল য়াল্লবা য়েলহৌ ফূরুপ মাঙখিবনা হেনগদৌরি। মরম অসিনা খূৎতা খূৎলায় পায়রগা শা থেংনবগী মহুত্তা ইশাগী খূৎ অসি মীঙোন্দা য়োন্থোকপা তৌদনা পোলিটিকেলগী লাঞ্জং অমা ওইনা মশাগী মীয়াম্বু তেক্ত-কায়দনা ঙাক্লনবা লো শেম্বা ঙমগদবা মীরেপ্তা মীহুৎ ওইহনহৌবনা শারমচৎ লোইশিন্নবা অমদি ইরৈবাক মচেৎ তাদনবা অমত্তা ঙাইরবা লানফম ওইহৌনবা খন্থনরসি। মীওইবা ঐখোয়না শাগা পাঙ্গল চাংয়েং তৌনরুবদা মাঙজগদৌরিবা মীওইবা ঐখোয়তনি। ●

# পুৱারী খোঙ্গাওনগনু

## - রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

থৌদোক খুদিং, ৱাথোক খুদিং অমদি ওর্গনাইজেশন খুদিংমক মাগী-মাগী ৱারম অমমম লৈদুনা ৱাথোক-লান্থোক কয়া লাকই। মদুবু অফবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবদা ৱাতেমশিন্নবা অরোইবা তাঙ্কক অমা থম্নবা অমদি মালেমদা লৈরিবা ঈং-তপ্পা থম্নবগীদমক লীংখৎনবা, শেমগৎনবা, শাগৎনবা ঙাক্তনি। শিন্মী মীয়ামগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেশন কয়া লৈ। এসোসিএশন য়ুনিয়ন অমদি ফেদরেশন কয়া অমনা মাগী মাগী ষ্টেট লৈঙাক অদুদা শিন্মী ওইরিবশিংগী য়াইফনবা মতম মতমগী থোরকপা দিমান্দ কয়া, ৱাকৎ কয়া মেনেজমেন্টশিংগা ৱাতাইনদুনা থবক ওইনা ওন্থোকপা মতমদা মতম চঙগদৌবা কয়াদুনা মতম লৌবা খুদিংমক লৈঙাক মেনেজমেন্ট অমদি শিন্মীগী লুচিংবা অহুমগী মরক্তা য়ানরগা ৱাকৎ অদুগী ৱারোইশিন থম্নরিবনি। ষ্টেট ষ্টেটকী ওইবা য়ুনিয়ন, এসোসিএশন কয়া অমা অদুগুম্বা য়ুনিয়ন, এসোসিএশন কয়া-কয়া পুনশিল্লগা অচৌবা বোদি অমা ওইনবা ফেদরেশন অমা শেম্বা অসিসু চৎনবী অমনি। মতম অমদা মণিপুরদা লৈঙাক্কী শিন্মীশিংগীদমক য়াইফনবা মায়রোং য়ানা চেনবা ওর্গনাইজেশন অসি মীয়াম্না খঙনবা জে এ সী (জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল) অসি মাঙজিল থানা লাকখিবনি। মসি নত্তবা সেন্ত্রেল ত্রেদ য়ুনিয়ন কয়া অমসু লৈরি। মখোয়শিংদুগী মনুংদা ইন্দিয়ন নেশনল ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘ, হিন্দ মজদুর সভা, সেন্টর ওফ ত্রেদ য়ুনিয়ন, ওল ইন্দিয়া য়ুনাইটেদ ত্রেদ য়ুনিয়ন সেন্টর, ত্রেদ য়ুনিয়ন কোওর্দিনেশন সেন্টর, সেল্ফ এমপ্লোয়ী ৱিমেন এসোসিএশন, ওল ইন্দিয়া সেন্ত্রেল কাউন্সিল ওফ ত্রেদ য়ুনিয়ন, লেবর প্রোগ্রেসিব ফেদরেশন, য়ুনাইটেদ ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসনি। মথক্কী ত্রেদ য়ুনিয়ন ১১ অসিনি হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী শিন্মী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থৌদাং লৌরিবা অসি। ঐখোয়গী মণিপুরদা এসোসিএশন, য়ুনিয়ন কয়া অমা লৈখ্রে। মমিং মথা তোঙাল্লবসু পান্দমদি শিন্মী মীয়ামগী য়াইফনবনি। মতম মতমগী পোৎ চৈ তাঙখৎলকপা মতমদা দি এ, দি আর হেনগৎনবা ওথোরিটি কন্সর্নদা তক্লবা, জোব সিক্যুরিটি লৈত্রিবা, ৱার্ক-চার্জ, মাষ্টরোল, কেজুএল, এদ-হোগ, ওফিসিয়েটিং, আউটসোর্শিং অমসুং কন্ত্রেক্ট বেসিস অসিনচিংবনি।

ঐখোয় শিন্মী মীয়াম্বু লুচিংবীরিবা লীদরশিংনা চেনগদৌবা মতিক ময়াই খরগী মনুংদা গুদ লিস্নর, একাদেমিক এটমোসফ্যের, ইন্টিগ্রিটি লৈবা অমসুং কম্মান্দিং ওইবা মসিগী মরী অসিমক তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা অমনি। মসি নত্তনা কনা কনাগুম্বা সেক্রেটরি পাম্বা, প্রসিদেন্ট পাম্বা মদুগী মরুমদা শেন্দা লন্বী অমদি রাজনিতিগী ঙাক্লৌ ওইবরোমদা শীজিন্নবা য়াওদবা নত্তে। তশেংনা রাজনিতি তৌগে তৌরো, শেল তানগে তাল্লো, মায়খুম উপশিন্দুনা শিন্মী মীয়ামদা, লৈবাক মীয়ামদা ওনশিন্দুনা চাবা তৌহৈদবা থবক্লি। উগা শুমগা তিন্নবা মওংদি অফবা নত্তে, মতম অদুদা উগী তোংজবা অমাফাওবা লৈতে, শুমগীদি তোংজে, উগীদি মাঙজে। ত্রেদ য়ুনিয়নশিংগী লীদরদি হয়িংখোইগী শক্তম লৌদুনা লৈহি খোম্বা মাগী ফেমিলি হিংহনবা মতমদা লৈসু শোক্তে, লৈনাসু কেলহন্দে। লিদরশিংনা মেনেজমেন্টশিংদা শিন্মী মীয়ামগী য়াইফনবা হায়জবা মতমদা ৱারোইশিন লাক্লগা শিন্মী মীয়াম্না হরাওহনবা নুংঙাইহনবা অদুনি হয়িংখোইগী মতৌ তমসি হায়জরিবসি। শুমনা উদা চিকই অহিং নুংথিল খাইদনা। মদুনা উগী পূন্সি লোইশিল্লি। মাগী মাগী মথৌ পুবা ঙল্লক্তে। শুমদি হিংহৌই য়ূমদা, উপু-কাংথোল, থোঙ-থোঙনাওদা, উখোং-ফৈরেল, কাঞ্চি, শিখোং পূম্নমক মনুং হোদুনা লোইশিল্লকই। মসিনা ত্রেদ য়ুনিয়নগী লিদরশিংনা শিন্মী করম্বা শিন্মী লৈঙাক্লা পীবা মতম চানা কারিবা, মতম চানা কুন্নিবা মাগী মাগী মাঙদা তাবা মথৌ চপ চানা তৌরিবা খুদিংমক্কীদমক চেনবীফম থোকপা চেনবা তাই। হায়ফম থোকপা মফমদা হায়বা তাই। ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস কুমজা ১৯২০গী ওক্টোবর ৩১দা ইন্দিয়াগী লৈমায়দগী হৌগৎলকখি।

ইন্দিয়ন নেশনল ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস ১৯৪৭কী মে ৩দা লীংখৎলকপা মতমদা অহানবদা হৌবদগীনা মে ৩,২০২৬ ফাওবদা ওইবিখিবা প্রসিদেন্ট ডা. সুরেশচন্দ্র বেনর্জি, হারিহার নাঠ শাস্ত্রি, খন্দুভাই কে দেশাই, মিচেল জোহ্ন, এস আর ভাসাভাদা, জি দি অম্বেকর, জি রামানুজাম, ডা. মিষ্ট্রেস মোইত্রেয়ী বোষ, কাশিনাঠ পান্দে, ডা. জি এস মেলকোতে, ভি ভি দ্রতিদ, অবিদ আলি, গুলজারি লাল নন্দা, বি সী ভাগৱাতি, এ পি শর্ম্মা, এন কে ভাৎত, বিন্দেশ্বরি দুবেয় অমসুং ডা. জি সঞ্জিব রেদ্দিনি। হৌগৎলকপদগী জেনরেল সেক্রেটরিগী থৌ পুবিখিবশিংনা খান্দুভায় কে দেসাই, হারিহার নাঠ শাস্ত্রি, কে পি সিপাথি, এন কে ভাৎত, ডা. জি এস মেলকোতে, এস আর ভাসাভাদ, জি রামানুজাম, কান্টিমেহতা, গোপেশ্বর, সুতাতা মুখর্জি, রাজেন্দ্র প্রসাদ সিংহ অমসুং ডা. সঞ্জয় কুমার সিংহনি।

মণিপুরগী থাক্তনা ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ওইবীখিবশিং অমসুং হৌজিক হৌজিক ওইরিবা হায়রগদি রিশাং কৈশিং, রাজকুমার রনবীর, থৌনাওজম চাউবা, য়ূমখাম ইরাবোত, জেদ মঙ্গাইবৌ, নোংথোম্বম বিরেন, এম কে প্রেসো সিমরে, য়ূম্নাম রানাপ্রতাপ মসিনি মণিপুরগী ইন্দিয়ন নেশনল ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী ওইনা চথরক্লিবা প্রসিদেন্টকী থৌ পুবিখিবা অমসুং পুরিবশিংগীনি মথক্তা পীজরিবা মমিংশিং অসি। জেনরেল সেক্রেটরিগী ফম পুবিখিবশিংনা লাইশ্রম তোম্বা, এন শ্যামকুমার, লাইশ্রম নোরেন, এস ঐচ ব্রজগোপাল শর্ম্মা, শৌগ্রাকপম ব্রজমুহোন, কোন্থৌজম সনাতোম্বা, সনসম চাউবা, অতোম অঙৌ, য়ূম্নাম রানাপ্রতাপ অমসুং শগোলশেম সঞ্জিৎনি। মাগী মাগী ওর্গনাইজেশন খুদিংমক মখোয়গী মখাদা লৈবা শিন্মী মেম্বরশিংগী য়াইফনবনি। শিন্মীশিং অদুগী থবক থানা খুদিংমক অদুনা লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাং খোঙজেল য়াঙনা চৎপা ঙমগদৌরিবনি। শিন্মীশিংনা মথৌ মশক খঙলক্তবদি চাওখৎ খোঙজেল তপথরক্কনি। লোয়শঙ অদুগা লৈবাক মীয়ামগা লাপথোক্নরক্কনি। থাজবা মাঙলক্কনি। মীয়ামগী চৈফম ওইরক্কনি। মসি থোকহন্দনবা ত্রেদ য়ুনিয়ন লিদরশিংনা শিন্মী মীয়াম মরক্তা তোইনা তোইনা এৱ্যের্নেস তৌবা মথৌ তাই। করিনো করিনো হায়বা ত্রেদ য়ুনিয়ন অমগী লিদর ওইবসু চংলিবা কয়া মথক্তা পঞ্জখ্রে। ডা. জি সঞ্জিব রেদ্দি মশাগী চহী ৯৬ শুরে। কুমজা ১৯৯৪গী ওগষ্ট থাদগী ঙসি ফাওবা চহী ৩২ চূপ্না ভারত বর্ষগী শিন্মী মিল্লিয়ন ৩৩গী ৱাকৎ কয়া তাদুনা মদুগী ৱাফম কয়াদু ওথোরিটি কন্সর্নশিংগী মফমদা তক্লদুনা ৱারোইশিন থমখিবা ঙাক্তনি। শাংলবা ১৯৯০দগী অহল লমন কয়াগী তুং ইনজরক্তুনা পাখোল্লোই ওইনা লাকপদা মণিপুরদা ইন্টুক মণিপুর ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট লৈনা লৈনা নাকন্দগী প্রসিদেন্ট হায়দুনা থেঙ্খাং থেঙ্খাং নাইনা হাইজিল্লকপা কয়া লৈখ্রে। খুদিংমক নুংশাগী মঙালদা উননা মাঙখিবগুম্না মাঙখিবা ঙাক্তনি।

ঐখোয়গী ত্রেদ য়ুনিয়নবু থাজবীবা খুদিংমক্লা ইতিহাস (পুৱারী) বু হেক হেক মরক মরক্তা খোঙ্গাওনরকপা তৌহৈদবা থবকনি। খুদোংচাবা ফংনবা মচু ওনবা টুপী উপ্পা, লেংয়ান য়ানবা চরোই ক্লাককী মওংদা কোয়চেন চেনবা, কোয়ৌ য়ৌবা, মশা মশাগী পার্টিগী আইদেলোজি খঙদনা অনী-মরি তিল্লগা ঙসিনা অদুদা য়াওরে, থাজরে হায়দনা বেষ ওনখ্রে, তুপী-ও তুরাং-ও ধেরাও চুড়াও য়েংবগী পেনবা নাইদ্রে হায়বগীমওংদা মী মখল কয়া কয়া থোরকপা অসিনা ঙসি লৈবাক অসি কাং খোং চাইরিবনি। মণিপুর ব্রাঞ্চগী ইন্দিয়ান নেশনল ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী মথক্তা পঞ্জখিবা লাইওইখ্রবা ভেটরান পোলিটিসিয়ন অমদি হৌজিক হৌজিক লৈরিবা রাজনিতিগী মায়রোং য়ানা চেনবী চোংবীরিবা প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরি কয়ানা পরিং নাইনা গুরু-শিক্ষ পরম পরা নাইনা চথরক্লিবা বাপুজী মহাত্মা গান্ধীজি ফিলোজোফিদা য়ূম্ফম ওইবা ডা. জি সঞ্জিব রেদ্দিনা লুচিংবীরিবা ইন্দিয়ন নেশনল ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস মণিপুর ব্রাঞ্চকী ইতিহাস (পুৱারী) বু খোঙ্গাওনবীগনু। কনানা কনানো, করি তৌরি হায়বা শাংলবা চহী ৭৯গী পুৱারী লৈজবা ইন্দিয়ান নেশনল ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী ৱারী শীংবুলদা পেজ-বাই পেজ ফাকৎলগা মিৎয়েং তাবীয়ু। মদুনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।